# ‘কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মথক্তা অকনবা মিলিটরি দ্রাইভ’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবা ঙম্মী, মীতৈ খঙদে, তাঙ্খুল খঙদে ওইনীংবা য়েলহৌমী ওইজসনু হায়বদু হন্দক্তসু নৌহৌনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্না নাখৈ শেংনা উথোরকখ্রে। জিরিগী জকুরাধোরগী তমথী মীহাৎতা অঙাং অহুম, নুপী অহুম মীনুংশি য়াওদনা হাৎখিবদুদা থা নিপালখক্তগী অমসুং চহী অনীমখায়গী অঙাং য়াওখিবনি। হন্দক্কী ত্রোংলাওবীগী মীহাৎতনা চহী মঙা অমসুং থা মঙাখক্তগী তমথী মীহাৎ অমসুং মদুগী মথং তারকপদনা সী আর পি এফকী নোংমৈ গুলিদা মীচম মীয়ামগী মমল নাইদ্রবা পূন্সিশিং পিখম্লহনখিবা মসিনি ইরমদম।

মীওইবগী পূন্সিগী মমলসি লৈঙাক্কী এক্স-গ্রেসিয়ানা লেপ্পা য়াবরা? মরাল লৈজদবা মীতৈ মীচম কয়াগী পূন্সিনো হন্দক্কী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোকহল্লকখিবা লানসিনা মীনুংশি লৈতনা পিখম্লহনখ্রিবসিবো? নীংঙমদবা থৌদোক অমগী মথংদা থৌদোক অমা মথং-মথং। অদুগুম্বা থৌদোক ময়ামদুনা অমগী মথক্তা অমনা ননশিনখিবনা হান্নগীদু কাউনখিবরা, কাউবা নত্তে কনানসু। নীংঙমদ্রবা থৌদোকশিংদুদা লৈখিদ্রবা মীওশিংদুগী ইমুং মনুংনদি পূন্সিগী ওইনা খুদাং পিফম তৈদুনা লৈরিবনি। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ‘ফোরগিভ এন্দ ফোরগেট’ কী ৱাফমসু তত্তনা থমখিবদাই। মরাল লৈজদবা মীতৈ মীচম তমথীনা হাৎপা লেপত্রগা কদাইদগী ঙাকপীবা অমসুং কাউথোকপা। মীনিদি হায়রগা শাহিং চাবা, মীওইবা অমগী পূকচেল চেন্দবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবদা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল লৈঙাক্না মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা এক্সন অমত্তা মফম-মতম চানা লৌখৎপা ঙমদবসি লাইবক থীবনি। ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মনুংদা হি লাকশিনবগীবু ওইরো, বস এক্সিদেন্ট, ত্রেন এক্সিদেন্ট, প্লেন ক্রাশ ওইনীংবা ওইরো ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনচিংবনা থৌদোক্তু হেক থোকখিবগা পন্থবা লৈতনা অৱাবা ফোঙদোকই। মণিপুরগী মতাংদদি কদাই, করিমত্তা খঙশিন-উশিন্নদনা লাকখি। মণিপুরী মচাশিং অসি মখোয়গী মীৎয়েংদা নারক-শিংলক্তা পঙলৈ লৈজবা মীওই কাঙলূপ অমা ওইনা উদুনা অদুমক লৈরি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুরগী ঈরাং অসিদি কাঙলূপ মশেলগী লাননি হায়দুনা কয়ারক মণিপুরগী ৱাফম খন্নরকপদা পনখ্রে। মালেমগী শীংথানরবা মশক নাইবশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা থিএটরগী ওজা পদ্মশ্রী রতন থিয়ামনা লৈখিদবদফাওবা অৱাবা ফোঙদোকখিদ্রবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্নি। খঙশিন্নররোই, উশিন্নররোই হায়না লৈথোকখিবদু হন্দক্তা ‘বুঙ’ হায়বা মণিপুরী ফিল্মনা মালেমগী লেমজনীংঙাই ওইরবা বফটা এৱার্দ ফংলকপদদি য়ুনিয়ন লৈঙাক খংপ্রেক খংলমগনি। শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা, আর্ট এন্দ কলচরগী লম্‌দা মণিপুরনা ইন্দিয়াগীদমক্তা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা ইন্দিয়াবু মালেমদা শক্তাক্লি হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না মতম চূপ্পদা কাউরোইদবনি।

ইন্দিয়াবু মালেমদা শক্তাক্লিবা মণিপুরদি মৈ হৌনা চাক্তুনা অদুমক লৈরি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চুখিবা লানগী মৈরি ঙসিসু হেন্না হেন্নদুম মৈশা কন্না চাক্লি। হেন্না মৈচাক ফহন্নীংবা মতমদা মখোয়না ফহল্লি। মবুক ফবা মীতৈ ঐখোয়সি অসুম্না কয়াম কুইনা লৈখিগনি হায়বগী ৱাহং লাক্লি। অদুঙৈগী মীতৈশিংনা ‘অৱা লান’ হায়নসু খঙনবা চহী তরেৎ খুন্তাকপা (সভেন য়্যরস দেভাষ্টেশন, ১৮১৯-১৮২৬) দা নংখিবা অৱাবদুগী ঙমথংদা ঙসি ইরমদমসিদা তংদু লৈতাদবা, অৱা মৈশা অমমুক নংলরে। (এঙলো মণিপুর ৱারদুদি মীচম মীয়ামদা অৱাবা কয়া পীখিদে।) চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদুগী বর্ম্মাগী লৈঙাক্লিবদু Konbaung Dyansty নি। Konbaung Dyansty গী তরেৎশুবা নিংথৌ বাগিদাউ (Bagydaw) গী মতমদনি মণিপুরনা খুন্তাক লানশিরিবসি (কনাগুম্বা অইবশিংনা কুকিশিংগা মতমদুগী অৱাশিংদুগা মরী লৈনবা, কুকিশিং অসি মখোয়গী চাদা-নাউদা ওইনা ইরকপসু য়াওই। কুকিশিংগা মতমদুগী অৱাশিংদুগা মরী লৈনদে)। ঙসিদি মীতৈশিং খম থেংনা ৱারে। মীতৈশিংদা নংলিবা অৱা মৈশা তংদু লৈতাদবসি করম্বা মতমদা কোকপা ঙমগনি হায়বা তম্বা ঙমদ্রি। মরমদি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক মবুক শেংদে। মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক পাঙ্গল য়াম্না শোল্লি। ইন্দিয়াগী সংবিধাননা পীরিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমগী শক্তিশিং অদু নীংথিনা শীজিন্নবা ঙমদে। মশাগী তৌগদবা মথৌ সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী য়াকা ঙাইরগা তৌদুনা লৈরি। নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী অরোনবা এজেন্দা অমগী মরুমদা কুকিশিংদা Appeasement Policy চথরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না চথরিবা Appeasement Policy দা ময়াই কারবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তৌনীং-তৌনীংবা টেরর এটেকশিং তৌরি। মীতৈশিংদা, তাঙ্খুল য়াওনা অতৈ য়েলহৌমী চীংমীশিংদা মখোয়না লান্দারি। ইন্দিয়াগী জিও-পোলিটিক্সতা কুকিশিংবু য়োকখৎতুনা থম্বসিনা মণিপুরগী ঈরাংসি অদুমক শাংথরি। ইন্দিয়াগী মনুংদগী মণিপুর মাঙখিদ্রগা লোইরে, মণিপুর মনুংদা মচেৎ তানবদি করিসু কায়দে হায়বগী ফীভমদনি হৌজিক লৈরিবসি। ঈরাং হৌহল্লগা মণিপুর মচেৎ তানবা ‘সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন’ তানবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অদুমক ঈরাং হৌরি। মখোয়গী ঈরাংদা মণিপুরসি কাং-খোং চাইরে। মীতৈ কয়াগী পূন্সি মমা-মপাগী মিৎমাংদা উনা উনা নোংমৈ, বোমনা পান্দুনা শিরি। তুংদসু শিগদবা কয়া’মা ৱাৎলি। ঐখোয়গী লুচিংবশিং ঐখোয় মীচম মীয়াম্বু ঙাকপী-শেনবীগদবশিং কদাইদা চৎখ্রবগে।

ঐখোয়গী ষ্টেট লৈঙাক্কী লুচিংবশিং মীয়াম্না ঐখোয়গী মীহুৎনি হায়না ষ্টেট এসেমব্লিদা থাখিবশিং লৈবাক মীয়ামগী স্বর্থদা থবক তৌরকখিদবা কুইরক্লে। লমদমসিগী এসেমব্লি মীফম অমনা মিনট তরা য়ৌনা ফমদনা মালেমদা রেকোর্দ থম্বসু ঙমখ্রে। করি-করম তৌরগা ইরমদমসি তংদু লৈতানা লৈহনসিগে, লৈবাক কায়নবা হোৎনরিবশিংবু করম্না থিংনবা আইনগী মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বনচিংবশিংসি খন্ন-নৈনবা হায়বসি ষ্টেট এসেমব্লিগী মথৌনি। ইশম-শম্না লমদমসিদা লৈবাক ঈরাং হৌহল্লিবা কুকিশিং অসিবু থিংনবা অকনবা ৱারেপ এসেমব্লিনা লৌদুনা পাস তৌরগা আইন ওইনা চৎনহনগদবনি। মদু পূন্নমক্তু ষ্টেট এসেমব্লিগী মথৌনি। ঙাইহাক লৈতনা ঈরাং থোকহল্লগা মীশি-মীনা নংহন্দুনা লৈহনবা অদুগা ষ্টেট লৈঙাক্না করিগুম্বা মতিক চাবা এক্সন অমত্তসু টেররিষ্টশিংদুগী মায়োক্তা লৌখৎতবা অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কুম্মৈ ওইনা য়েংদুনা লৈবা মসিগুম্বা থৌওং অসিবু ইন্দিয়াগী করম্বা মফমদা চৎনবগে। লমদমসিদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ, বোম হেক কাপথরকপা, পোকখায়হল্লকপগা মফমদু তম্না সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি অমদি ষ্টেট পুলিস চঙশিন্দুনা কম্বাইন্দ মিলিটরি ওপরেশন পাক শন্না চথরবদবু করিগী মরাল লৈবা কুকি শাহিং চাবশিংদু ফাবা ঙম্লোইদৌরিবনো, মদুদি তৌদে। অহোইনদুম কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌরিবদুদা কুম্মৈ ওইনা য়েংদুনা লৈবগী থৌওংনি তৌরিবসি। মতৌদুদা পেন্দ্রবা মীচম মীয়ামগী ঈহৌ লাক্লগা মীতৈ মীচমশিংবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপীবা অসি তুংদসু অসিগুম্বা থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোকখিগনি।

লোইশিল্লকপদা মণিপুরদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লান ঙসিসু লোইশিন্দনা মীতৈ মীচম হাৎতুনা লৈরি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিবু ফাদুনা মতিক চাবা আইনগী ওইবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবা, মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপা হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক্কী মথৌনি। ষ্টেট ফোর্সশিংদা মতেং পাংবা লাক্লিবা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা লমদমসি তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্নবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মথক্তা অকনবা মিলিটরি দ্রাইভ অমা চথগদবনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ‘পুমচাই চাইরবা খুন্নাই’

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



খাম্লুবা য়ারোইদবা থাক অদুনি। খাম্লুবা মীওই অদুতা চৈ চারগদবা তাঙ্কক অদুনি। মানা-মানা থোকপা, হিমাই চুম্বীনবা লৈতনা য়ারিবমখৈ মাঙহন তাকহল্লগা নুংঙাইজবা পেঞ্জবা মতম অদু য়ৌরে। মীচম মীয়াম্না থাজবা হায়বদু লোইখরে। মসিতা থোক্লবনি মীয়াম্না মশাগী হক য়োনখিবদো। নীংশিংনরিদ্রা? হংলুবদা কনানবুদি খুম্বীরকখিনি। লমদমসিগী মীয়ামদি পংথবা খ্বাইদগী থুবা কাঙলূপনি হায়বসি ইরায় লায়না খঙবা কাঙবুনা মীয়ামদা খোই মহুম চৈনা থিনবগুম চক-চক থিন্দুনা ঈহৌ হৌহল্লি। লুচিংবা খনবা হৈত্রিবা কাঙলূপনি, য়ৌ-য়া, য়ৌ-য়া তৌহল্লগা শেন্মীৎলোন্দা লৈখা তাহনসি খনবা লাল্লোং চথুরকপনি। মসি ঈহৌলোয় কনানবু খল্লিদগে। মোব বোম, টিয়র গ্যাস মখোল তোকখ্রবসু থাবল মখোল, লাই হরাওবা মখোলনা অদুম মহুৎ শিল্লগনি, পুল্লাং লাংলি। পুমচাই চাইরি। কাঙলোন য়াওদ্রবা লানবুং ওইরে। ৱারীদা থেংনখিবা মহাভারতকী লানসু লোইশিল্লমদাইদা কাঙলোন ঙাকখিদে। পুমচাই চাইখি। মদুগা মান্নরল্লদি লোইশিনবীরো লান। য়োৎলি মখোঙফাও পুমকোপ কোপ্লে। চহী অহুম শুজিল্লক্লবা কাং-খোঙ চাইরবা খুন্নাইসিদি চহী ৩০ মনীং হন্না কুমথখরে।

শা-ঙাগা মীওইবগা মপু মাগী খূৎশেম মান্নবা নত্তে। থৱায় পানবা খুদিংমক্তগী মীওইবনা অথোইবনি হায়রিবা করিগীনো? লুনা নৈনরুদ্রসু খনবা য়াই। মীওইবদি লৌশিংদা য়ূম্ফম ওইনা মপু মানা শেম্লকই। “ক্রিয়েশন ওফ হ্যুমেনিটি ইজ ওন ৱিজদম” বট “এনিমেল ক্রিয়েটস ওন ইন্সটিঙ্কস” মীওইবদি অচুম অরানগী ৱাখল খনবা ঙম্নবা লৌশিং য়াওবা মপু মাগী খূৎশেমনি। অদুবু শা-ঙা হায়বসিদি খন্থবা য়াওদবা অফিং-অফাই ওইনা, ইপা পাখৎপা লীচৎতা খুদক্তা থবক পাঙথোকপদুনি। য়েংবীয়ু হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা থোক্লিবা থৌওংশিংসিবু মীওইবগী লীচৎনি করম্না হায়গনি। শা-ঙাগী থাক্তা হন্থখ্রবা ফূরুপনি হায়নবগী প্রমান মীপূম খুদিংগী খূবাক্তা লৈরিবা এন্দ্রোইদ মোবাইলশিংদা উবীরিবদুনি। লুচিংবসু অশাবা ওইরকই। ঈহৌসু দ্রামা মাল্লকই। লৈঙাক্লোইশিংগা মীয়ামগা করম্বনা দ্রামা হৈবনো, হিদান্নবা মতৌনি। মীওইবা লৈত্রবা শাগী লমদমসিদা সেন্টরনা কুকি কৌবা লাম্নৈ অমা থারকপনি।

ঐখোয় মী ওন্দুনা অমুক্তং হিংবা তমসিরা? মী লৈত্রবদি লম লৈবগী করি কান্নগনি। লৈবাক ঙাকপা নৎত্রগা লৈবাক কনবা হায়বসি কোক্না কনবগী তঙাইফদবনি। চহী ৮০ ফাদ্রিবা ১৯৪৭তা শেমখিবা ইন্দিয়ানা চহী লিশীং কয়া হিংবা ঙম্লক্লবা ষ্টেট অসিবু হীরম অমত্তদা থুগায়বা ঙমদে হায়বসি লো খঙবা অমদি লোগী লাইরিকশিংনা হায়দুনা লৈরি। ইন্দিয়াবু নেশন অমা ওইনা শাগৎতুনা লোল অমা, লাইনীং অমগী মঙদা লৈবাক মচা মচাশিংবু উকায় তক্তুনা নমশিন্নবা হোৎনরকপনি। অদুবু লমদমসিদি উকায় মরমদুনা চৎখ্রবা তুংদা তিংথৌ ওইনা থিনগৎতুনা লৈহৌগনি হায়বসি খনবদা লান্দবা অমনি। ইন্দিয়া অসি য়ুনিয়ন ওফ ষ্টেটনি। ষ্টেট কয়াগী অপূনবা শক্তম অমনি। ষ্টেটশিং অদুগী মশাগী লৈঙাক্লোন লোইনা লৈজরিবনি। মদুদা হেন্না পাঙ্গল হাপ্নবা অমদি ফজহন্নবা পুনশিন্নখিবগী ৱাবনি। চৎনবী ৱাঙাঙ লাইনীং অমখক্তা পুনশিনবা নেশন অমখক্কী মঙ মঙলকপদগী মফম কয়াদা অশৌবা ঈশিংগী খুন্নাই ওইহল্লিবনি। মসি খঙমিন্নরবদি অহিংদা য়োৎলি মখোঙদা পাম্বোম শীজিন্নবগী মহুৎতা কলম পায়বদা খুদাং ৱাবদুনা চুমদবরা? মৱ্দ চঙবা ৱাহৈ ইবা ঙম্বা কলম পায়বা মীহুৎ খন্নবা মীফম পাঙথোকপনা লানফমসি মায় পাক্কনি খনবা চুম্লোইদ্রা?

অমনা অমদা ওনশিন্নরিবসিদি পূন্না মাঙমিন্নসি হায়বগী লাল্লোংনি। ৱাখল লমজিংবা ঙম্বশিংনা ৱা ঙাঙবা কিরিবসি লৈবাক নুংশিবনা ঙাওশিন্নরিবা ঐখোয়গী লম্বী মাঙননবা মরমনি। অখঙবশিংবু য়াম্না ঙাঙহনসি। খঙদবা ঐখোয় য়াম্না তাখিসি। তাবা হৈবা মীগী মশীংনা সুম-সুম য়ামখৎলকপদা শোয়দনা উরক্কনি লানঙম ফিরালগী মচু। মরমদা হিংফম লৈজদবশিংনা য়ারগনা মুনগে নৎত্রগনা শিরুরগে হায়না লাক্লিবা মখোয়গী মাং থানা চোংশিন চোংশিন্দুনা শিখিবশিং মনি-মুক্তা মাঙখিবদগী হেন্না পাম্মুবনি। লান্না লমজিংবীবশিংনা মমল য়াম্লবা থৱায় কয়াবু ঈগী তুরেলদা পুথবীবা তোকপীবা মতম য়ৌদ্রিবরা?

শিন্থা লেপসি হায়বা পাউজেলসি য়েক্লবনা পাম্বা ঐখোয়গী মায়থীবদুনি। অহিং-তাইবঙ খায়দনা, মীঙোন্দগী ঙায়দনা ইথৌ পাংবা তান্নসি হায়বা ৱারেপ লৌরবদি খৎনবা হৌরিবশিংদুগী মায়থীবনি। লমদমসিগী কাঙলূপ খুদিংমক লানবা (শোয়বা) হানবা তান্নরিবসি ইন্দিয়াসু তৌফম খঙলমদবা য়াই। ৱাঙাঙলোয় য়াম্মনবনা তারগা ৱায়েলগদবা মহাক লম্বী মাঙলম্বসু য়াই। কলচর খুদিংমক ত্রেদিশন ওনখ্রবদি অরূম্বনা হেল্লবা হিগুম্না লুপখিনি। বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, শটদাউন, শিন্থা লেপ্পা, ৱাকৎ মীফম, মৈরা রেল্লি, হ্যুমেন চ্যেন হায়বনচিংবা মীংথোলশিং অসি ত্রেদিশনগী মওংদা মপাল, মরা তাশিনখিবগুম ককথৎপা, ফোইদৎপা ঙমদনা লৈমায়সিদা হোম-হোম লাউনা হৌহনবসিবু চাওখৎপগী তিঙ্খং ওইনা উনদ্রিবসি য়েক্লবনদি মায় পাকপগী খূবাক খুরল্লোইদ্রা? থিংজিনবা, মুনবা, থুগায়বা, মৈ থাবা হায়বসি মীওইবনা খুন্দাবা মফম ওইদ্রে হায়বগী খুদমনি করম্না হায়রোই। মচিৎ-মচিৎ, মচোয়-মচোয় হৌবা ঈহৌনা মায়থীনবগী মরমনি মপুম ওইনা ৱায়েনবা ঙমদ্রবা ইন্দিয়া মপুমদগী তোল্লসি হায়বগী ৱারেপ অমুক্তং লৌমিন্নবা ঙম্লবদি লোল থোক্তনা য়েংখিবা ইন্দিয়া লৈঙাকসু ফন্নিবা চৌক্রিদগী ফূক হৌগৎলকপা য়াই। তোখায় তানীংবগী নত্তে, তোখায় তানীংহনগনু হায়বা পাউজেলসিমদি মখোয়গী নাপদা শোয়দনা য়ৌহনবা ঙম্বসু য়াইনা।

ঙসিগী ওইরিবা লমদমসিগী মতৌসিদি পুমকায় কায়বা, পুমতোই তোইরবা ফ্রেম অমখক্তনা ফারগা থল্লিবা মিংশেলগা চপ মান্নরে। শুজ-নোমজরগা পুথোক্কদবা পোথোকপুনা মাঙহল্লে। চারা অমত্তং পুক থন্দবদা নীংতম ঈহৌ য়াওবা ঙম্লোইদবশিংনা পুকচাক খুদিংমক খোঙপাক্না নেৎশিনবগী পাঙ্খক ওইরে। মীনা মীবু চীঞ্জাক ওইনা অঙম অঙম্বা শেৎ-শেৎতুনা চানরকপা য়াবগী অকিবদুদি কনানসু খন্থনদবগুম তৌরি। খোঞ্জেলদি অপূনবগী শক্তম কায়দনবা লাউরি। থৌদৌনা শিংকুপ শানা থুগাইবগী থৌদৌ তৌনরি।

ৱাখলগা লোয়ননা অমুক্তং য়েংবীয়ু। ঙসি মীয়ামসিনা তারিবা পেন্দবগী খোল্লাওসি তাইবঙগী খোল্লাও মাল্লক্ত্রে, মঙলাক্লবগী খোঞ্জেল মাল্লকই। মৈরানবীনা মৈনুংদা চোংশিনবদি মনাৎনি। মীওইবনা মৈনুংদা চংলিবসিদি পূন্সিগী অরোইবা মতমদু খক্তদনি। ৱাকাই ঙাঙবা লুচিংবগী মশীং য়ামনখ্রে। ৱা ঙাঙদবা, মরোল থোক্তবা থবক য়াঙবা মীওইশিংনা লুচিংবা ওইহল্লসি। মীদিয়াগী মমাঙদা লৈবাক নীংবসি, নীংবা মান্দে, নীকপা ওইনা থোকই। লৈবাক নীকপশিংনা নোংম-নোংমগী মশীং হেনগৎলকপনা ঙসিদি ঐখোয় পূন্নমক্না উমিন্নরি পুমচাই চাইরবা ইরৈবাক খুন্নাই। ●

# শক্লাইরবা নুপী শাবী ইবোরাবী অমসুং ময়াং ইম্ফাল

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ঙসিদগী চহী ৬০ খরা হেনবা মতমদগী মণিপুরগী শুমাং লীলাগী ফম্বাক্তা ফিদা মচা অমা কনখিবশিংগী মনুংদা লৈখিদ্রবা য়ুরেম্বম ইবোরাবীসু অমনি। মহাক ময়াং ইম্ফাল চবুংকম্পনি য়ুরেম্বম লৈকায়দা পোকপনি। অপোকপগী মমিং য়ুরেম্বম তোম্বী, অপোকপীনা নোংমৈকাপম নিঙোল য়ুরেম্বম ওংবী অনীরৈ কৌই। মখোয় মচিন মনাও নুপা তরেৎ, নুপী অমা পূন্না নিপালনি। মখোয় অদুদি য়ুরেম্বম বিশ্বমভোর, ইবোমচা, থম্বালঙৌ, ইঙো/ইবুঙো, ইবোরাবী/রাবী, কুঞ্জো, য়ুরেম্বম থাবা অমসুং য়ুরেম্বম লোকেননি। চবুংকম্পনি অসি মতম অমদা থানা তুরেল হায়না খঙনরম্মী। ময়াং ইম্ফাল কৈথেলবুনা থানা কৈথেল হায়না খঙনরম্মী। চবুংকম্পনি খুঙ্গং অসি মতম অমগী থানা তুরেলনা অৱাংদগী খা পাংনা চেল্লিবা অসিগী নোংচুপ থংবা তুরেলগী ইরোয়ননা তোরৈগী মপান্দা তাবা খুঙ্গং অমনি।

মতম অমদা থানা কৈথেল কাবা মতমদা তুরেল মপানগী লম্বীদা চৎলগা কান্নরম্মী। চবুংকম্পনি খুঙ্গংগী মীপূম খুদিংমক্না য়াম্না অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা ঈরাৎ থৌনিরিবা ইপুধৌ ৱাংব্রেন উমংলাইগী খুভম অমা লৈ। মসি চহী খুদিংগী নোংজু পান্থাদা খুঞ্জা নুপা-নুপী কয়ানা ইপুধৌ ৱাংব্রেনগী লাইবুংদা হরাও মথোই কাদুনা লৈশা-পাখঙ অমদি অহল লমন কয়ানা জগোয় খূৎথেক নাইদুনা পোকপদগী হৌরকপা শৈহেক শৈথা শৈরোল কয়া শক শোন্দুনা কুমজা খুদিং হরাওদুনা লাকই। ইনখৎলকপা নহা কয়া অমদি মীয়াই চল্লবা নুপা কয়া নাৎকী ওইবা কুম্মৈ অমসু ওইবা নুপা অমা ওইনা শামান লেংমান্নবা থেংনবদা নঙনা কৈদা, ঐনা কৈদা হায়দুনা নুপা ওইবগী চাংয়েং মুক্না শান্নবসু লাইরোই মতুং অমদি হরাওরিঙৈ মনুংদা পাঙথোক্লম্মী। মীতৈ ইপা ইপুশিংনা থম্বীরিবা ঈরাৎ থৌনিরিবা উমংলাইগী লাইবুং অসি উপাল অচৌ অচৌবা হৌদুনা হৈবোং পাম্বী, হৈক্রেং পাম্বী, হৈরুকোকথোং পাম্বী, হৈয়েল পাম্বী, মঙ্গে পাম্বীনচিংবা কয়া হৌই। ঙসিদি চাং য়াম্না ৱাংনা লাইবুংশিংদা উপাল হৌবা উখিদ্রে। মদুগী মহুত্তা অচৌ অচৌবা শঙজাও কয়া শাদুনা নোং চুবা, নুংশা শাবা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরে। পোৎ খুদিংমক মেরিট অমদি দি মেরিট লৈফম থোকই। উপাল হৌবগী কান্নবা, কম্যুনিটি হোল/শঙজাও শাবগী কান্নবা কয়া শোয়দনা লৈফম থোকই। ঙসিদগী চহী ৬০/৭০গী মমাঙদা লৈরম্বা ৱাংব্রেন ইপুধৌ খুভম লাইবুংসু অহোংবা কয়া লাক্লে। ৱারেংজরিবা ঐনা চহী ৮/৯ শুরকপা মতমদা ৱাংব্রেন ইপুধৌগী খুভম শঙগী মমাঙ হরাওপুংগী লম্পাক অদুদা হৌরিবা হৈবোং পাম্বীগী মহৈ অমুনবা কয়া উচেক ৱায়ানা মবুক থন্না চারবা মতুং মখোয়না ফায়দোরকপা মথিনা তাহৌবা মফম কয়াদা হৌবা হৈবোং পাম্বী কয়ানা লম্বীগী নাকলদা পলি কয়াদা হৌবা অদুগা চাবা ঙমদবা মহৈ কয়া ঙাংশং ঙাংশং ঙাংবা হৈবোংনা খুজেং য়ৌনা তাদুনা লৈবা কয়া থেংনহৌই। ইবুধৌ ৱাংব্রেন হরাওবগী লম থোকপদা ইঙা থাগী নোংজুনা চাংদোল পারবা থানা তুরেলদা কুমথখিদুনা দোলাইরোই মরিবু মতমদুগী থানা কৈথেলদা লমথোকপগী মফম য়ৌরমদাই ফাওবা ঈচেলগা লোয়ননা চেন্থরকপা অঙকপা তাইবঙ মপু মাগী লীলানি। চৎখিনি লোইখিনি মতমগী ঈচেলনা পূন্নমক হুমদুনা পুখিগনি কনানা কনাবুসু থৎলুবা ঙম্লোই মতমগী ঈচেল।

য়ুরেম্বম ইবোরাবী কুমজা ১৯৪৯গী ৱাকচীং থাগী ইরাই নুমিৎতা তাইবঙদা খোঙদারকখি। অঙাং ওইরিঙৈদা চবুংকম্পনি এল পি স্কুলদা মহৈ তম্বা হৌরকখি। মশাগী চহী ১০/১১ শুরকপা মতমদা লমদম অসিগী অহল লমনশিংনা পুথোকপা য়াইরিপোক থম্বালনু লীলা শান্নবা মতমদা থম্বালনুগী মৌপ্বানুপা শাখি হায়না মাগী ময়াম্বা য়ুরেম্বম থম্বালঙৌনা হায়বীরকখি। মতমদুগী থম্বালনু শাখিবী অদুনা থৌদাম তোম্বী কৌই অদুগা মোহোনসিংগী শক্তম লাংখিবা অদুনা য়ুরেম্বম খুনজাওবা অমদি প্রানামসিংগী শক্তম লাংবীখিবা অদুনা গুরুময়ূম অভিরাম শর্ম্মনি। গুরুময়ূম অভিরাম শর্ম্ম অসি ঙসি ঙসিমক মণিপুর শুমাং লীলা অমদি সিনেমাদা কোমেদিয়নগী ফিদা অমা কন্দুনা থল্লিবা গুরুময়ূম গুণ শর্ম্মবু পোকপনি। ময়াং ইম্ফাল অসি ঙসিদগী চহী ১০০ রোমগী মমাঙদা মোইরাং কংলৈরোলগী তাঙ্কক নাইদুনা শান্নবদা মীয়াম্না মোইরাং পরবৎ পাম্না য়েংনখিবা মদুদা মোইরাং নিংথৌ শাবা শমজেৎশাবম কন্হাইমচা অমদি চাউবা নোংথোন শাবদা য়ূম্নাম চাউবনি হায়না লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা মোইবুংখোংবা লাইশ্রম গৌড়ো য়াম্না নহা ওইনা মোইবুং সিঙ্গল অমদি দবল/মোইবুং জুরা খোংবদা চুড়াচান্দ মহারাজনা খামেনচৎপা অমদি মেদল পীদুনা শক খঙবীখ্রবনা লীবিরম্বা ৱারীনি। মসিদা নত্তনা খুমন মোইরাংগী তৎনবা থানবা য়াদ্রবা খুমনপুংগী ৱারী ৱাখোঙ লীক্লাং অমনা মচিন মনাউ অহুম রুটিন নাইনা য়েন্নদুনা শিনবা মনাউগী শিনবা নুমিৎ তারকপদা ময়াম্বনা শিবদা মনাউ শাওদুনা ময়াম্বনা হল্লক্কদৌবা লম্বীদা ঙাইদুনা থাঙলেন খুশু পায়দুনা মনাউনা ময়াম্ববু তেমশিংনখিবা লীক্লাং কারোং/য়াংগোই কারোং থিদবনা খঙবীদ্রবসু থিরিবা হুমলিবা কয়ানা থম্মোয়নুংদা ওন্থোকপনিদকো, লিংজেল হাক্না খামল্লিদকো খুমন য়েক সলাইসে হায়দুনা তকশি শোন্নরিবনি। লুরেল কোক তাখি কোকপাৎ খূৎ তাখিবা মফমনা খূৎলাকপাৎ কৌদুনা ঙসি ফাওবা কাউদনা পুৱারী নৈনবা, থিজিনবা কয়ানা পুৱারীবু নীংথিজনা ইকায়খুম্নরি।

ঙসিদগী চহী ৫০/৬০গী মমাঙদা লৈরম্বা খুমন য়াংবীগী শক্তম কয়া অহোংবা লাক্লে। লোক্তাক পাৎকী শক্তমসু নোংম-নোংমগী অহোংবা লাক্লে। ময়াং ইম্ফাল মাইবম দিষ্ট্রিক্ট মণিপুর সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্টতগী ১৯৮০দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ২০১৬তগী অমুক ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ওইজরবসু মাইবম পূম্নমক্কী খোঙদা হিদাফমদি ময়াং ইম্ফালনি। মহৈ মশিং তম্বদা, অনা-লায়েংদা, লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা খুদিংমক কৈথেল কাদুনা লৈবা য়োনবদা ময়াং ইম্ফাল কৈথেলদা মখোয়গী খোঙদাফমনি। মণিপুরগী ইপোমগী সংসারদা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদৌবা শগোলশেম তোম্বী, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, ইমুমচা তোম্বী ময়াং ইম্ফাল মাইবমদগীনি। মণিপুরনা সিট কুন্থ্রাতকম ওইরিঙৈ মপূং ফাবা ষ্টেট ওইদ্রিঙৈদা সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্ট ওইরিঙৈদগী নিংথৌরোল অমদি সমাজিক লীলা কয়াগী লীলারোই থোরকখিবা ময়াং ইম্ফাল মাইবমনি।

অরিবা মতমগী তাঙ্কক অসিগী মথংদা অরি-অনৌগী লংদাইদা থোরকখিবা লীলারোইশিংগী মনুংদা য়ুরেম্বম ইবোরাবী/রাবীসু অমনি। মানা কুমখিবা লীলাশিংদি মৈতৈ চনু, সৈত্যবান সাবিত্রিদা সাবিত্রি, অবির খানদা অমিনা শাদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিনবা অথোই অহেন তান্নবদা মনা কয়া ফংখ্রবা মীশক অমনি। মাগী পোকমিন্নবা ময়াম্বা চহী ৮৪শুরবা থম্বালঙৌগা ৱারী শাবা মতমদা হেন্না কুপ্পা মরোল, চে-চাং অমা ফাওবদি ফংবা ঙমখিদে। অরিবা মতমগী মনুং নিংথৌজম সনাজাওবা নোংবাল পোম্বী লুৱাংবা শাখিবা, ৱাংখৈময়ূম ব্রজবীধুনা মহাদেব শাবা, য়ূম্নাম মনি না মোইরাং থাংজিং শাখি। মসি চীংঙু লাই তরেৎ হায়বা লীলা অদুদা য়েংহৌবগী পাউদমনি। খরা হেন্না থিজিনবীবা মীওই কয়া লৈরি। মখোয় মখোয়না হেন্না শোয়দনা পুথোকপীরক্কনি হায়না থমজগে।

ঙসি পাউদমজরিবা ৱারেংজরিবা ঐদি থানা তুরেল তোর্ব্বান্দা তারিবা লৈঙোয় লৈরিক অমা ফাওবগী মপূং ফানা থিজিন হুমজিনবদা মপূং ফাজদ্রিবনি। লৈরিবা অমদি লাক্কদৌরিবা মীরোল কয়ানা হেন্না হেন্না শোয়দনা মপূং ফাহনবীরক্কনি হায়না থমজগে। মসিদা নত্তনা ময়াং ইম্ফাল মাইবমদা পোকখিবা মোইরাংথেম ভৈগ্যাসিং লৈখিদ্রবা চৈতৈ শাবা বামোন জুগেশ্বর শর্ম্ম লীলা পার্টি মৈতৈ লৈমা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএশনদা লীলা কয়া কুমদুনা ভাবোক কয়াগী পূক্লিংবু হুমদুনা পুখিবা লীলারোই অমা ওইখিবনি। ঙসিদি শুমাং লীলাগী ফম্পাক্তগী পোথাখ্রে। মথংদা তখেল্লম্বম সনায়াইমা, ময়াং ইম্ফাল মাইবমদা পোকপা চাওরক্লগা মণিপুরগী শুমাং লীলাগী ফম্বাক্তা শরুক য়াদুনা মাগী-মাগী লমজিং-লমতাক্লিবা অদুনা তাকপী-তন্বীরিবা অদুমক মীয়ামদা উৎখিবা তখেল্লম্বম সনায়াইমনি।

য়ুরেম্বম ইবোরাবী (রাবী) ঙসিদি তাইবঙপানবদা মানা পুরকপা পূন্সি চেঙজেল লোইদুনা মীয়ামলক্তগী মপুগী মনাক্তা চৎখিদুনা মশাগী ওইবা ৱারী শীংবুল খুদিংমক লৈচিল পোমাইনা কুপশিনখ্রে। মাগী লোয়নবী অহানবনা মচা নিঙোল অমা পোকই। মমিংনা উশা কৌই। মাগী অহানবা লোয়নবী কায়নখ্রবা মতুংদা থৌনাওজম নিঙোল রানিগা য়ূম্বালমিন্নদুনা মচা পীবা মরি, নিঙোল অমা পোকই। মখোয়শিং অদুদি য়ুরেম্বম ব্রোজেন, য়ুরেম্বম চাউবা, য়ুরেম্বম ইনাওচা, য়ুরেম্বম সন্ধ্যারানি অমদি য়ুরেম্বম ইবোমচানি।

ইবোরাবীগী ৱারী ৱাখোঙ নিংথিজনা খঙনীংদুনা নাওরেম ইনাওবী ময়াং ইম্ফাল চবুংকম্পনিগা পূন্না চৎমিন্নদুনা ইবোরাবীগী ময়াম্বা য়ুরেম্বম থম্বালঙৌগা অমদি ইবোরাবীগী লোয়নবী রানিগা উন্নজরকপা মতমদা মপুং ফাদ্রিবা কয়া অসি কনা কনাগুম্বশিংনা নীংথিজনা থিজিন-হুমজিনবীদুনা তাঙলবা লীলারোই অসিগী পাউদমবীরকপা ওইসনু হায়না মীয়ামদা থমজরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।